


# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, FRIDAY, APRIL 20, 2018 **PAGE 7**


*মশাগী চহী ৩৬ শুরবা মতম শাংনা স্বিদেনগী ফুটবোল শান্নরোই অমা ওইনা ৱার্ল্ড কপ কয়া শরুক য়াখিবা, ২০১৬ তা ইন্টরনেসনেল ফুটবোলগী পোখাখ্রবা রুশিয়াগী ৱার্ল্ড কপ অসিদা কৌরক্লবদি শান্নগনি হায়খিবা ইব্রাহিমোভিস*

*মোন্টে কার্লো এটিপি টেন্নিস টুর্নামেন্টকী প্রি–ক্বার্টরদা টিমমেট জর্মনিগী জেএল ষ্ট্রুফপু সেট ২–১ দা ৬–৪, ৪–৬, ৬–৪ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা অহুমশুবা সিদেদ ওইরিবা আলেকজেন্দর জ্বেরেভ*

## কম্মনৱেল্‌থ জেবলিন চেম্পিয়ন ইন্দিয়াগী নিরজ চোপ্রানা মিটর ৯০ লংনবা হোৎনদুনা মথং থাদা পাঙথোক্কদবা দাইমন্দ লীগ সেরিজ শরুক য়াগদৌরি

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৯ঃ*



হন্দক্তা ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী সিটি গোল্ড কোষ্টতা লোইশিনখিবা ২১শুবা কম্মনৱেল্‌থ গেমসতা ইন্দিয়াগী নুপাগী জেবলিন থ্রো ইভেন্টতা গোল্ড মেডল ফংদুনা এঠলেটিক্সতা ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা গোল্ড মেডল ফংখিবা নিরজ চোপ্রানা মশান্না অদুদা মিটর ৯০ য়ৌবা ঙম্নবগীদমক মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা এঠলেটিক্সকী মরুওইবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা দাইমন্দ লীগতা শরুক য়ারগনি।

মশান্না অসিগী মালেমগী জুনিয়রগী ৱার্ল্ড রেকোর্দ থম্বা ঙম্লিবা নিরজ চোপ্রানা হন্দক লোইশিনখিবা কম্মনৱেল্‌থ গেমস অদুদা সেনিয়রগী থাক্তা শরুক য়াদুনা মিটর ৮৬.৪৭ লংদুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

মথং থাগী ৪ দগী কটারগী সিটি দোহাদা পাঙথোক্কদৌরিবা সিজন অসিগী অহানবা দাইমন্দ লীগ সেরিজগী লেগ অদুদা শরুক য়াদুনা মহাক্কী কেরিয়রদা মিটর ৯০ লংবা য়ৌননবা কন্না হোৎনগদৌরি।

দোহাগী দাইমন্দ লীগ সেরিজ অদুদা ইন্দিয়াগী নিরজ চোপ্রানা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবা জর্মনিগী থোমাস রোলর অমসুং অতোপ্পা জর্মনিগী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবা জোহেন্স ভেটরসু শরুক য়ারিবনি।

দোহাগী দাইমন্দ লীগ সেরিজ অদুদা কুমজা ২০১৭ ৱাল্ড এঠলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপকী সিলভর মেডল ফংখিবা অমদি মমাঙগী সিজনগী দাইমন্দ লীগকী চেম্পিয়ন জেক রিপব্লিক্কী এঠলিট জাকুভ ভাদলেজসু শরুক য়ারি।

জাকুভকী টিমমেট অতোপ্পা জেক রিপব্লিক্কী এঠলিট ৱার্ল্ড ব্রোঞ্জ মেডালিষ্ট পিটর ফ্রাইদিসসু শরুক য়ারি। মদুদা ব্রাজিলদা পাঙথোকখিবা কুমজা ২০১৬ রিও ওলিম্পিক্সকী সিলভর মেডালিষ্ট কেনিয়াগী জুলিয়স য়েগোসু শরুক য়ারি।

নীংশিংবা য়াই মমাঙগী চহীদা ওলিম্পিক চেম্পিয়ন জর্মনিগী থোমাস রোলরনা দোহাদা পাঙথোকখিবা দাইমন্দ লীগ ইভেন্ট অদুদা জেবলিন থ্রো অদু মিটর ৯৩.৯০ লংদুনা মালেমগী ইভেন্ট অসিগী পুৱারীদা মিটর ৯৮.৪৮ লংদুনা ৱার্ল্ড রেকোর্দ থম্বা ঙম্লিবা জেক রিপব্লিক্কী জান জেলেজনিগী মতুংদা রেকোর্দ থম্বা ঙমখিবা অদুগী মতুং থা ২ লৈরগা য়ুরোপিয়ান এঠলিট ওফ দি ইয়রগী মনা ফংখ্রবা জর্মনিগী জোহেন্স ভেটরনা মিটর ৯৪.৪৪ লংদুনা রোলরগী রেকোর্দ অদু থুগাইখিবনি।

মশাগী চহী ২০ দা ঙাইরিবা ইন্দিয়াগী নিরজ চোপ্রানা জেবলিন থ্রো ইভেন্ট অসিগী ওইনা কুমজা ১৯৮৪ দা জেবলিন থ্রো অদু মিটর ১০০ লাম্থোকপা ঙম্বা অমত্তা ঙাইরবা এঠলিট অমা ওইনা মিটর ১০৪.৮ লংখিবা জর্মনিগী উৱে হোনগী মখাদা ত্রেনিং চৎখবনি।

হৌজিক–হৌজিক্কী ওইনদি জর্মনিগী অতোপ্পা কোচ মমিং লৈরবা ৱার্নর দেনিয়েলসকী মখাদা ত্রেনিং ফংলি।

হৌজিক–হৌজিক্কী ওইনা পঞ্জাবকী পটিয়ালাদা লৈবা স্পোর্টস ওঠোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী সেন্টরদা ত্রেনিং চৎখগনি। অদুবু এসিয়ান গেমসকী মাঙওইননা তঙাইফদবা লাক্লবদি জর্মনিদা অমুক চত্তুনা মখা তানা ত্রেনিং ফংনবা হোৎনগনি হায়না চোপ্রানা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি হন্দক্তা লোইশিনখিবা গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্‌থ গেমস অদুদা জেবলিনগী গোল্ড ফংখিবা অদু ইন্দিয়াগী কম্মনৱেল্‌থ গেমস পুৱারীদা ত্রেক্ট এন্দ ফিল্ডদা গোল্ড লৌবা ঙম্বা ৪শুবা এঠলিট ওইরি।

## রুশিয়া ৱার্ল্ড কপ্তগী হৌদুনা মেটচ খুদিংমক্তা ভিএআর ওফিসিয়েল ৪ থম্বগা লোয়ননা ষ্টেদিয়মদা অচৌবা স্ক্রিন খিল্লগনিঃ ফিফা

*কোভরসিয়ানো, এপ্রিল ১৯ঃ*




চহী অসিগী জুন ১৪ দগী জুলাই ১৫ ফাওবা রুশিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অদুগী তোঙান–তোঙানবা সিটি ১১ দা লৈবা ফুটবোল ষ্টেদিয়ম ১২ দা লৈবাক ৩২ না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোলদা হন্দক্তগী হৌরগা মেটচ খুদিংমক ভিদিও এসিষ্টেন্ট রেফরি (ভিএআর) গী ওফিসিয়েল ৪। ৪ থম্বগা লোয়ননা ষ্টেদিয়ম খুদিংমক্তা অচৌবা স্ক্রিন থমদুনা সিষ্টেম অদু মপুং ফাহনগদৌরি।

ফিফাগী রেফরিশিংগী চীফ ওইরিবা পিরলুইগি কোলিনানা ঙসি ইটালিগী সিটি ফ্লোরেন্সতা লৈবা কোভরসিয়ানোদা পাঙথোকপা রেফরিশিংগী ত্রেনিং সেমিনার অমদা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোকখিবনি।

ভিদিও এসিষ্টেন্ট রেফরি সিষ্টেম অসি টুর্নামেন্ট অসিদা অহানবা ওইনা শিজিন্নগদৌরিবনি। সেমিনার অদুদা অতোপ্পা ইটালিগী রেফরি রোবার্টো রোসেটিনা ভিএআর সিষ্টেম অসি করম্না পাঙথোক্কনি হায়বগী মরমদা মরিক চুম্না ৱাফম থমখি।


ভিএআর ওফিসিয়েল ৪ অদুগী লুচিংবা রেফরি ওইগদৌরিবা রেফরি অদুনা শান্নরোইশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোরকপদা ফিল্ডদা লৈরিবা রেফরি অদুগা পাও ফাওনরগা ফিল্ডগী নাকলদা খিনগদৌরিবা অচৌবা স্ক্রিন অদুদা য়েংদুনা অরোইবা ৱারেপ অদু ফংহনগদৌরি।

রেফরিশিংগী চীফ ওইরিবা কোলিনানা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা অচৌবা অমদি শোয়বদগী উহৌদবা রেফরিশিংগী ৱারেপ অদু লৈহন্দনবা পায়খৎলকপা ফিফাগী মরুওইবা খোঙথাং অমনি হায়খি।

টেক্নোলোজি শিজিন্নরগা রেফরিগী থবক পায়খৎপা নত্তে। রেফরিশিংগী অৱাৎপশিং অদু টেক্নোলোজিনা মতেং পীবনি হায়না মখা তাখি।

## জর্মন কপকী সেমি ফাইনেলদা ফ্রেঙ্কফর্টনা সাল্কে ০৪বু মায়থিবা পীদুনা ফাইনেলদা বেয়র্ন ম্যুনিক্কা লম্বা তৌনরগনি

*বর্লিন, এপ্রিল ১৮ঃ*



বর্লিনদা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা জর্মন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অনীশুবা সেমি ফাইনেলদা ফ্রেঙ্কফর্টপু সাল্কে ০৪ বু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেলদা লীগ চেম্পিয়ন ওইরিবা বেয়র্ন ম্যুনিক্কা লম্বা তৌনরগনি।

মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ অদু টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নখিবা মরম্না পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা মিনট ৪৫ গী মতম অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা সাল্কে ০৪ গী মায়কৈদগী শান্নবগী ৬৭শুবা মিনটতা টিম অদুগী বুর্গসষ্টোল্লরনা ফংখিবা বোল অমা অনকপা পাঞ্জল ওইবা য়াবা মফমদগী কাউশিল্লকপদা ফ্রেঙ্কফর্টকী গোলকিপর রার্দিকিনা ঙাকথোকখিদুনা স্কোর বোর্দতা পাঞ্জল লৈখিদবনি।

হাল্ফ অদুগী পুংখায় ফারকপদা এন্ট্রাক ফ্রেঙ্কফর্টকী মায়কৈদগী লুকা জোভিসনা টিম অদুগী অদুগা মেটচ অদুগী ওইনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি।

শান্নবগী লেমহৌবা মিনট ২৫ গী মতম অদুদা সাল্কে ০৪ না ইক্বেলাইজর অদু ফংননবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। অদুবু ফ্রেঙ্কফর্টকী দিফেন্দরশিং অদুনা পাঞ্জল হন্দাকখিদনবা হোৎনখিবা অদু হিরম খুদিংমক্তা পাঙ্গল পুথোকখিবনি।

মদুদা টিম অদুগী শান্নরোই গেলসন ফর্নান্দেজ রেদ কার্দ ফংদুনা লেমহৌবা মিনট ২০ লোমগী শান্নবা অদুদা য়াওবা ঙমখিদবনি। ফ্রেঙ্কফর্টনা সাল্কে ০৪ দা থোইদুনা জর্মন কপগী ফাইনেল মেটচ অদু মে ১৯ দা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা বেয়র লেভরকুসেনবু ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্বা বেয়র্ন ম্যুনিক্কা লম্বা তৌনরগনি।

ফ্রান্সতা পাঙথোকপা ফ্রেঞ্চ কপ ফুটবোলগী সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা লিগে ৱানগী মকোক চেম্পিয়ন ওইরবা পেরিস সেন্ট জর্মেননা কেন ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌখি।

পিএসজিগী মায়কৈদগী কিলিয়ান মাপেনা অহানবা পাঞ্জল চনখি। কেনগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর অদু ইসমেল দিওমানেদনা চনখি। শান্নবা লোইগদবা মিনট ১০ ফারক্লবদা পিএসজিগী মায়কৈদগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লবা মতুং অরোইবা মিনটতা টিম অদুমক্কী শান্নরোই খৃষ্টোফর নুনকুনা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা কেন ফুটবোল ক্লবপু পেরিস সেন্ট জর্মেননা পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীদুনা ফ্রেঞ্চ কপগী ফাইনেলদা লেস হর্বটসকা মথং থাগী ৮ দা শান্নরগনি।

## বাংলাদেশ ক্রিকেট বোর্দনা শান্নরোই ৬ লৌথোকখ্রে, পে হেনগৎখিদ্রে

*ধাকা, এপ্রিল ১৯ঃ*

বাংলাদেশ ক্রিকেট বোর্দনা লৈবাক অদুগী ক্রিকেট টিমদা হান্না কোন্ট্রেক্ত লৈরম্বা শান্নরোই ৬ লৌথোকখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা শান্নরোইশিংগী পে হেনগৎখিদ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি বোর্দ অসিগী ওফিসিয়েল ওইরিবা সেলেক্সর হবিবুল বাসরনা ফোঙদোরকখিবনি।

শান্নরোই ৬ লৌথোকখিবগী মনুংদা ওপনর সোমিয়া সরকার অমসুং ইমরুল কেজ য়াওরি। বাসরগী ৱারোল অদুনা মখা তারদুনা ঙরাং অথেংবদা বোর্দনা ৱারেপ লৌখিবগী মতুংইন্না মমাঙগী বাংলাদেশ নেসনেল টিমদগী শান্নরোই ৬ লৌথোকখ্রবা মতুং অনৌবা ৩ মতম খরগী মতুংদা হাপচিনগনি হায়রি।

লৌথোকখিবনা মরম ওইরগা শান্নরোইশিং অদুগী লম্বেল ককপদি নত্তে, মখোয়না মখা তারকপা পার্ফোমেন্স ফজরক্লবদি খুদোংচাবা অদুমক পীখিগনি হায়রি।

ওপনর অনীগী মতুংদা কোন্ট্রেক্ত রিনিয়ু তৌখিদ্রবা অতোপ্পা শান্নরোই ৪ অদুদি মোসাদেক হোসেন, সবির রহমন, টাস্কিন অহমদ অমসুং কমরুল ইস্লাম রবিনি।

কোন্ট্রেক্ত মখা তানা লৈহৌরিবা শান্নরোইশিং অদুদি সাকিব অল হাসন, মুসফিকুর রহিম, মাস্রাফে মোর্টাজা, টামিম ইকবাল, মহমোদুল্লা রিয়াদ, মোমিনুল হক, রুবেল হোসেন, মুষ্টাফিজুর রহমন, টাইজুল ইস্লাম অমসুং মেহদি হাসননি।

হৌখিবা সিজনদা বাংলাদেশনা ন্যু জিলেন্দ, ইন্দিয়া অমসুং সাউথ অফ্রিকাগী মখূত্তা টেষ্ট সেরিজ মায়থিবা নংখি। ওদিআই ১৪ শান্নবদা ১০ মায়থিবা নংখি। অদুগী টি–২০ ৭ কী মনুংদা অমখক মায় পাকখিবনি।

## মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা এএফসি বোর্নমাউথপু পাঞ্জল ২–০দা মায়থিবা পীদুনা ইংলিস প্রেমিয়র লিগকী অনীশুবা পোজিসনদা লৈনবা কন্না হোৎনরি

*লন্দন, এপ্রিল ১৯ঃ*




*ইংলেন্দগী মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ (ওই) অমসুং এএফসি বোর্নমাউথকী শান্নরোইশিংনা বোল মুন্নবা*

ইংলেন্দগী খ্বায়দগী চাওবা লিগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা ইংলিস প্রেমিয়র লিগকী ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙদা টাইটল কয়ারক লৌবা ঙমখ্রবা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা এএফসি বোর্নমাউথপু পাঞ্জল ২–০দা মায়থিবা পীদুনা লিগ অসিগী অনীশুবা পোজিসন্দা লৈনবা য়াম্না কন্না হোৎনরি।

হোম এন্দ এৱে ফোর্মেটতা শান্নবা লিগ অসিদা পুন্না টিম ২০না শরুক য়াবনি। মেঞ্চেষ্টর সিটিনা মেটচ ৩৩ শান্নবদা পোইন্ট ৮৭ ফংদুনা লিগ অসিগী রাউন্দ ৩৮ লোয়দ্রিঙৈদা পোইন্ট ৮৭ ফংদুনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রবনি।

পনবা য়াই ঙরাং মায়পাকখিবা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ রাউন্দ ৩৪ লোয়শিনখিবদা পোইন্ট ৭৪ ফংখিবা অদুনা মখাতানা লেমহৌবা মেটচ ৪মক মায়পাক্লবসু পোইন্ট ৮৬খক ফংগদবা মরম্না টাইটল অদু মেঞ্চেষ্টর সিটিনা লৌখিবনি।

ঙরাংগী মেটচ অদুগী মাঙওইননা য়ুনাইটেদ পোইন্ট ৭১ ফংদুনা অনীশুবা পোজিসন্দা অদুম্মক লৈরকপনি। এএফসি বোর্নমাউথ পোইন্ট ৩৮ ফংদুনা ১১শুবা পোজিসন্দা লৈবনি।

মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী মিনিট ২৮শুরকপদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী শান্নরোই খৃস স্মোলিংনা চনখি। অহানবা হাল্ফ অদু পাঞ্জল অদুনা লোয়শিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ অদুদা এএফসিগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দাক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। মখোয়গী হোৎনখিবা অদু অরেম্বা তাদুনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ৭০শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থারিবা য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী মোমেলু লুকাকুনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা বোর্নমাউথপু ২–০দা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

মখাতাবা মিনট ২০ অদুদা টিম অনীম্মক পাঞ্জল মখাতানা চন্নবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু য়ুনাইটেদনা ২–০দা থোইখি।

লিগ অসিদা লিভরপুল পোইন্ট ৭০দা অদুগা টোটেনহাম হোটস্পর্সনা পোইন্ট ৬৮ ফংদুনা অনীশুবা পোজিসনগীদমক লিগ অসিগী লোয়শিল্লকপদা য়াম্না নুঙাইবা তাঙ্কক অমা লাক্কদৌরি।

অতোপ্পা পাউ অমদা স্পেনগী লা লিগাগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৩৩শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা মায়থিরমগদবা তাঞ্জা অমা খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা মহাক্কী টিম রিএল মাদ্রিদপু কন্দুনা এথলেটিক বিলবাওগা পাঞ্জল ১–১দা ড্রো চৎখি।

বিলবাওগী টিম লিগ অসিগী পোইন্ট টেবলগা ১৩শুবা পোজিসন্দা লৈরিবনি অদুগা অমরোমদা রিএল মাদ্রিদকী টিম মেটচ ৩৩দা পোইন্ট ৬৮ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈরি।

লিগ অসিগী ওইনা বার্সেলোনানা মেটচ ৩৩দা পোইন্ট ৮৩ ফংদুনা মখোয়গী খ্বায়দগী নক্নবা লম্বা ওইরিবা এটলেটিকো মাদ্রিদতগী পোইন্ট ১২ হেন্দুনা লৈরি। এটলেটিকো মাদ্রিদ মেটচ ৩২দা পোইন্ট ৭১ ফংদুনা লৈরি।

ভেলেন্সিয়াগী টিম্না মেটচ ৩৩দা পোইন্ট ৬৫ ফংদুনা রিএল মাদ্রিদপু য়াম্না কন্না তানরক্লি।

ঙরাংগী মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু এথলেটিক বিলবাওগী শান্নরোই ইনাকি ৱিলিয়মসনা শান্নবগী ১৪শুবা মিনটতা চনখিবনি। রোনাল্ডোনা ইক্বেলাইজর অদু ৮৭শুবা মিনটতা চনবা ঙম্লমদ্রবদি মেটচ অদু মখোয় মায়থিরমগদবনি।

ইটালিগী সেরি–এদা ঙরাং টিম লিডর ওইরিবা জুবেন্টসকী টিম্না ক্রোটোনেগা শান্নবদা পাঞ্জল ১–১দা ড্রো চৎখি। মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল জুবেন্টসকী শান্নরোই এলেক্স সান্দ্রোনা ১৬শুবা মিনিট্টা চনখি।

অদুগা মেটচ অদুগী ইক্বেলাইজর অদুনা ক্রোটোনেগী শান্নরোই সিমিনা শান্নবগী ৬৫শুবা মিনিট্টা চনখি।

পনবা য়াই জুবেন্টস মেটচ ৩৩দা পোইন্ট ৮৫ ফংলগা টেবলগী মকোক্তা লৈরি। অদুগা ক্রোটোনেগী টিম মেটচ ৩৩দা পোইন্ট ২৮ খক ফংদুনা ১৮শুবা পোজিসন্দা লৈদুনা রেলিগেসনগী জোনদা লৈরি।

এসএস নাপোলিনা মেটচ ৩৩দা পোইন্ট ৮১ ফংদুনা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি। মখোয়গী মতুংদা এএস রোমানা মেটচ ৩৩দা পোইন্ট ৬৪ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরি। সেরি ‘এ’গী মকোক ওইনবগী লমজেলদা জুবেন্টস অমসুং নাপোলিনা অকনবা মওংদা শরুক য়ারি। ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা লাজিওনা ফিওরেন্টিনাবু পাঞ্জল ৪–৩দা মায়থিবা পীখি।

## ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমসুং ফ্রান্সকী রোজর ভেসেলিন মোন্টে কার্লো রোলেক্স মার্ষ্টস টেন্নিস টুর্নামেন্টকী দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে

*মোনাকো, এপ্রিল ১৯ঃ*



*মোন্টে কার্লো টেন্নিসকী নুপাগী দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা ইন্দিয়াগী বোপানা অমসুং ফ্রান্সকী ভেসেলিন*

ফ্রান্সকী সিটি মোনাকোদা চৎথরিবা মোন্টে কার্লো রোলেক্স মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী দবলসকী অনীশুবা রাউন্দ মায় পাক্কুনা ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমসুং ফ্রান্সকী রোজর ভেসেলিন ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমসুং ফ্রান্সকী রোজর ভেসেলিনননা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ৭শুবা সিদেদ পেয়র বৃটেনগী জেমী মুরে অমসুং ব্রাজিলগী ব্রুনো সোর্সপু সেট ২–১ দা মায়থিবা পীরমখি।

অহানবা সেট বৃটেন অমসুং ব্রাজিলগী পেয়র অদুনা ইন্দিয়া অমসুং ফ্রান্সকী পেয়র অদুগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেট অদুদা ইন্দিয়াগী বোপানা অমসুং ফ্রান্সকী ভেসেলিননা বৃটেনগী মুরে অমসুং ব্রাজিলগী সোর্সকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইদুনা পেয়র অনীমক সেট অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা পেয়র অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা লম্বা তৌনরবা মতুং ইন্দিয়া অমসুং ফ্রান্সকী পেয়র অদুনা বৃটেন অমসুং ব্রাজিলগী পেয়র অদুবু ১১–৯ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ ফিনলেন্দগী হেনরি কোন্টিনেন অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী জোন্স পিয়র্সপু ৫–৭, ৬–২, ১৮–১৬ দা থোইরম্বা কলম্বিয়াগী পেয়র জেএস কবাল অমসুং আর ফারাগা শান্নরগনি।

নুপাগী দবলসকী অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৩শুবা সিদেদ ওষ্ট্রিয়াগী ওলিভর মারাক অমসুং ক্রোএসিয়াগী মাটে পেভিসনা বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোভ অমসুং বেলজিয়মগী দেবিদ গোফিনগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইটালিগী এস বোলেলি অমসুং এফ ফোগনিনিনা সাউথ অফ্রিকাগী আর ক্লাসেন অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী এম ভেনসকা শান্নরগনি।

নুপাগী দবলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা উরুগ্বেগী পাব্লো কিভাস অমসুং স্পেনগী জি গ্রানোল্লর্সনা ৫শুবা সিদেদ পেয়র ফ্রান্সকী হর্বট অমসুং নিকোলাস মাহুটপু ৭–৫, ৭–৬(৭–৪) দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

মোন্টে কার্লো রোলেক্স মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৪শুবা সিদেদ বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোভ অমসুং ৬শুবা সিদেদ বেলজিয়মগী দেবিদ গোফিন শান্নরগনি।

বলগেরিয়াগী দিমিত্রোভনা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা জর্মনিগী ফিলিপ কোলষ্ক্রেবরবু ৪–৬, ৬–৩, ৬–৪ দা থোইরম্বনি। অদুগা বেলজিয়মগী দেবিদ গোফিননা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা ১১শুবা সিদেদ শান্নরোই স্পেনগী বোটিষ্টা আগুটপু ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–৪, ৭–৫ দা থোইরমখি।

মোন্টে কার্লো টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিদা ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভনা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা অতোপ্পা জর্মনিগী শান্নরোই জেএল ষ্ট্রুফপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা ৬–৪, ৪–৬, ৬–৪ দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৫শুবা সিদেদ ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমনা ৯শুবা সিদেদ সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিসপু সেট ৩ চঙনা শান্নরবা মতুং ৬–৭(২–৭), ৬–২, ৬–৩ দা থোইদুনা মোন্টে কার্লো রোলেক্স মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।